**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-10-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-১০-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) চীংমী তম্মী অনিগী নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিন্নহল্লিবা মেরা হৌচোংবগী কুম্মৈ ঙসি পাঙথোক্লগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা লালহৌবা অনি ফারে।

**অমসুং**

৩) গ্লোবেল ফিনতেক ফেষ্টকী ৬ শুবা এদিসন ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোক্লগনি ।

**------**

**হৌচোংবা(এল)ঃ** মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী তম্মী অনিগী নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিন্নহল্লিবা মেরা হৌচোংবগী মপুং ওইবা থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সনা কোনুং অমসুং ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোক্লগনি। রাজ্য সভা এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা চীংবুরোই তম্বুরোই য়াওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা সনাকোনুংদগী কংলা ফাওবা চৎকনি। মফম অদুদা মেরা মেন তোংবা, য়েনখোঙ তম্বা, খুদোলপোৎ লান্নবা অমসুং নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা রাজ্য অসিগী চিংগী জিলাশিং য়াওনা মফম কয়াদগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওই কয়ানা ঙরাংদগী হৌনা সনাকোনুংদা থুংবা হৌনখ্রে। থৌরম অসি য়াওবা লাকপা খুলশিংগী লুচিংবশিং সনাকোনুংদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙরাং হরাউ তয়ামা ওক্লদুনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--নিংথৌ**

মণিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা ঙসি পাঙথোক্কদবা মৈরা হৌচোংবগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনবা অমসুং তুংগী মীরোলশিং নুংশিননা অমসুং শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা ওইরসনু হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা প্রিপাক(প্রো)গী কাদর অমা অমসুং আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল কোংখাম লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা প্রিপাক(প্রো)গী কাদর অমা ফাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল সুপর মার্কেট এরিয়াদগী আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গীনি হায়বা মীওই অমসু ফাখি। মঙোন্দগী আধার কার্দ য়াওনা চে চাং খরা ফাগৎলে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসকী দি.জি.পি রাজিব সিংহনা মমাঙ থাদা হরিয়ানা, মধুবান অমসুং কর্নালদা পাঙথোকখিবা ৭৪ শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস রেষ্টলিং ক্লষ্টরদা তকমান লৌরক্লবা মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিং হরাউ তয়ামা ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর পুলিসকী ৱিমেন এ.এস.আই এস.রানি দেবী অমসুং কন্সতেবল পি.নন্দজিৎনা সনাগী তকমান, অদুগা, এ.এস.আই এম মেমচা দেবীনা লুপাগী তকমান লৌরকখি।

**সেমিনার(এল)ঃ** সেৱা ত্রেদিসন ওফ ইন্দিয়া-ভারতিয়া সেৱা পরম্পরা, এ নোর্থ ইষ্ট পর্সপেক্তিভ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা মালেম থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি কোলেজ দেভলপমেন্ট কাউন্সিল, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি, সেৱা ভারতি পুর্বানচল, সেৱা ভারতি মণিপুর অমসুং মণিপুর সেৱা সমিতি অমদি ইন্তিলেকচ্যুএল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্ট মণিপুরনা শিনবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা স্কোলর কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা চে পাথোক্কনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** ভারতকী অৰাং নোংপোক লমদম মণিপুরদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাডবা থুমহি চেন্দবা পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ য়োকখৎনবগী পান্দমদা ঙসি লোক্তাক ডে পাঙথোক্কনি।

লোক্তাক ডেগা মরী লৈননা থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- টি. রোবিন্দ্রোনা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেল অদুদা এম.এল.এনা হায়- লোক্তাক অসি অৰাং নোংপোক লমদমদা থুমহি চেন্দবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎ অমনি।

**ফিনতেকঃ** গ্লোবেল ফিনতেক ফেষ্টকী ৬ শুবা এদিসন ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমগী প্রধান মন্ত্রি কিয়র স্তার্মরনা ৰা ঙাংগনি। মসিদা উদ্যোগকী লুচিংবশিং, পোলিসি মেকর অমদি ইন্নোভেতরশিং শরুক য়াগনি। গ্লোবেল ফিনতেক ফেষ্ট ২০২৫ গী চেয়রমেননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীফম অসিনা শেল থুমগী লমদা হেন্না মশক থোকপা লম্বী অমা য়াৎথোকপগা লোয়নননা হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙমহল্লগনি। লৈবাক অনিগী লুচিংবা অনিনা মীফম অসিদা শরুক য়াবা অসিনা মখোয়গী অৰাংবা ৰাখল্লোনশিং অদুনা মীয়ামদা হেন্না পুকিং থৌগৎপা ঙমহল্লগনি।

**গদকারিঃ** কেন্দ্রগী রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি-শিক্ষানা ভারতপু মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা এফ.আই.সি.সি.আই হায়র ইদ্যুকেসন সম্মিতকী ২০ শুবা মীফমদা ৰা ঙাংলদুনা শ্রী গদকারিনা হায়-শিক্ষা অমসুং ইন্নোভেসননা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিলহনবগা লোয়নননা ২০৪৭দা ভিক্সিট ভারত ওইহন্নবগী মংলান অদু মংফাওনহনবা ঙম্লগনি। য়ুনিভর্সিতিশিংনা লৈবাক অসিনা

দরকার লৈরিবা হীরমশিংদা থিজিন খোমজিনবগা লোয়ননা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মীয়ামদা থবক ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নিউ দেল্লিদা এসিয়াস প্রেমিয়র তেলিকোম অমসুং টেক ইভেন্ট ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস হয়েং হৌদোক্কনি। নুমিৎ ৪ চত্থগদবা থৌরম অসি নিউ দেল্লিগী য়াসোভুমি কনভেন্সন সেন্তরদা থা অসিগী ১১ ফাওবা চত্থগনি। থৌরম অসিগী হীরমা ইন্নোভেতিভ টু ত্রান্সফোর্ম হায়বনি। মসিনা টেলিকম্ম্যুনিকেসন অমসুং দিজিতেল টেকোলোজিগী লমদা ভারতনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লগনি। মীফম অসিদা জি-সিক্স ইকোসিসতেম, সাইবর সেক্যুরিতি সেটিলাইট কম্ম্যুনিকেসন, আর্টিফিসিয়েল ইন্তল্লিজেন্স, ইন্তরনেট ওফ থিংসনচিংবা হীরমশিংদা খন্ন-নৈনগনি।

**ইসি** ঃইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা বিহার বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা রাজ্য ৭ কী বিধান সভা ৮গী মরক্কী মীখলগী মতমসু লাউথোক্লে। মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্রশিং অদুদি-জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী বুদগম অমসুং নাগ্রোতা, রাজস্থানগী অন্তা, ঝরখন্দগী ঘাৎসিলা, তেলঙ্গনাগী জ্বিলি হিলস, পঞ্জাবগী তনতরন, মিজোরমগী দম্পা, অমসুং উরিষাগী নৌপারা নি। মরক্কী মীখল অসি মথং থাগী ১১ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা, ভোট মশিংনা মথং থাগী ১৪ দা থীগনি।

**রাজস্থানঃ** রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈবা সৱাইমান সিং হোস্পিতালদা ঙরাং থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক্তা মীওই ৬ লৈখিদবগা মরী লৈননা রাজ্য সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হোস্পিতাল অসিগী সুপরিন্তেনদেন্ট ডা.সুসিল বার্তি, নোদেল ওফিসর ডা.অনুরাগ ধাকাদ, মখোয় মখোয়না পুরিবা ফমদগী লৌথোকখ্রে। হোস্পিতাল অসিগী ফায়র

সেফতিগী দাইত্য লৌরিবা কম্পনিগা হান্না তৌনখিবা কনত্রেক্ট ককথৎখিবগা লোয়ননা কম্পনি অসিগী মথক্তা এফ.আই.আর অমা লৌখৎখ্রে।

**নেপালঃ** নেপালদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা মীওই ৫২ শিরে, ৯ না থিবা খঙদনা লৈরি, অমদি মীওই ২৯ না অশোক অপন নংলে। নেপালি আর্মিনা রাসুৱা জিলাগী গোসাইকুন রুরেল ম্যুনিসিপালিতিদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীওই ১২ কনখি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

দিল্লিদা এম.এল.এশিং মথং মথং চংশিন্নখিবগী পাউ, নেসনেল হায়ৱেদা চাংয়েং ওইনা সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা পেসেঞ্জর পুবা গারিশিং চেনবা হৌখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

দিল্লিদা থুংখ্রবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা হয়েং সন্থিট পত্র উনগদৌরি, অতৈগীদি এপোইন্টমেন্ট ফংদ্রি হায়বা পাউ পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা- অনৌবা লৈঙাক্কী মঙলানদা দেল্লিদা পাইশিন্নবা লেপত্রি ইংগিৎতি ফংলে অদুবু বিহারগী মীখল মমাঙদা থোক্কদ্রা, মতুংদা তৌগদ্রা খঙদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙনবা উরে।

নহারোলগী থৌদাংদা- ফ্রি মুভমেন্ট চৎনহন্নবা চাংয়েং ওইনা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎতুনা এন.ঐচ-টুদা পেসেঞ্জর পুবা গারিশিং

চেনবা হৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুর লেজিস্লেতিভ এসেমব্লিনা লূপা কোতি ২৯ লৌথোকখিবা লৈতে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- লন্থী শেন্থীদবগী খোইশাওনরবা মীয়ামা ময়াই লন্থী থিংজিনখ্রে, লম্ শেমবা এম.এল.এ রিসিকান্তনা গভর্ণরদা তকশিন খ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ইন্দিজেনস পিলর মাইখুম হাংদোকখ্রে, মণিপুর খুন্দারবদি য়াই, থুগাইগে হায়বদি য়ারোই হায়না ফেদরেসন ওফ হাউমীগী লুচিংবা সাপমচা জাদুমনিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পাডচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- আশা য়ামা তৌনখ্রবসু অশিবগা মান্ননা লৈরবা ইম্ফালগী আই.এস.বি.টি থিগৎহন্নবা লৈঙাকা কন্না হোৎনদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- ওইল পাম মিসনদা ফন্দ লান্না শিজিন্নরব্রা হায়বগী ৱাহং লাকপা হৌরে হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা এগ্রিনা পীবা রিপোর্টকা পাতাঞ্জলিনা পীবা রিপোর্টকা চাউনা খেৎনবা লৈরে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মী ফাবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোতুনা ব্লোকেদ কৌরি হায়বা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- বি.জে.পিগী এম.এল.এ-৪ অমসু দেল্লিদা পাইশিনখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মোর্নিং বেলদা- নেসনেল হায়ৱে টুদা ফ্রি মুভমেন্টকী ত্রাইয়েল রন হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- সি.এফ.দিনা শিন্দুনা সাইক্লোথোন পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তামেংলোংগী সি.এস.ওশিংনা মণিপুর সরকারনা থোকখিবা লেন্দ নোতিফিকেসন য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**